হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ১৪, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৬৬ শুবা মশীং

# ইম্ফালগী সাইলেন্ট জোন

## থোকখিবা ওর্দর কনানা চৎহনগদৌরিবনো?

লৈবাক অসিগী লো হায়বসি ইনাক খুনবা, মতীক ময়াই লৈবা কাঙবুগীনা অমা অমসুং অমসুং লায়রবা মীচম মীয়ামগীনা তোখায়বা অমা লৈতে। গভর্নর, চীফ মিনিষ্টর, অতৈ মিনিষ্টরশিং অমসুং মতীক ময়াই লৈবশিংদনা করিগুম্বা হীরম অমদা হেক্তা কোমথোকপা য়াদে। অদুবু মণিপুরদদি লৈবাক্কী লোনা অমা, তৌবনা অমা চত্থনদুনা কাংখোঙ চাইবা ফীভম অমদা লৈহল্লি। খুদম ওইনা পনবা তারবদি করম্বা মীওইনা গাড়ীদা ফ্লেগ পোষ্ট হাপকদগে, ভি আই পিগী গাড়ীদা হাপ্পা বেকন লাইট কনা কনানা শীজিন্নগদগে হায়বগী তোখায় তোখায়বা চৎন-কাঙলোন লৈজে। অদুবু মণিপুরদদি অসিগুম্বা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্না চৎপা মীগী মশিং য়ামদে। মসিগীসু মথক্তা মীচম মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বী-লমজাওদা অথু-অকায়সু নত্তবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ট্রাফিক্কী অথিংবা থুগায়রগা চৎনিংবা মতমদা ট্রাফিক পুলিসকী মমাঙদা চৎপদা কনামত্তনা থিংবা ঙমদে। ভি আই পিগীনি হায়রবদি গাড়ী পার্ক তৌবা য়াদে হায়বা মফমদা ওইরবসু, মীনা চীক্না চায়না ঙমদনা চৎনরিবা লম্বী ময়ায়দা গাড়ী খামজিল্লগা মখোয় মখোয়গী লোয়নবীগা পোৎ লৈবা চৎখিবদা কনামত্তনা মফম চাদে হায়বা ঙমদে। মিনিষ্টরশিং, ভি আই পিশিংদা গভর্নমেন্টনা পীবা গাড়ী অমদি এস্কোর্টশিং মখোয় মখোয়গী লোয়নবী নৎত্রগা মচা মশুশিং থিন্দোক থিঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নে। ওর্দর থোকপদুদি অরায়বনি, কমদৌনা ওর্দর অদু মীপুম তিংনা চৎনহনগদগে হায়বদুনি খ্বাইদগী লুরিবদি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা ইম্ফাল অমসুং গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়া খরদা সাইলেন্ট জোন লাউথোক্কনবা থৌশিল থৌরাং অমা পায়খৎলি। থৌরাং অসি য়াম্নমক মরম চাবা অমসুং তঙায়ফদবনি হায়না লৌবা চুমই অমসুং চৎনহনগদবনি। মতম অমদা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা লম্বী লমজাওদা মখোয়না তৌনিংবতা তৌরম্বা, লৈকায়গী অহল লমননা কৈদৌজরগদগে হায়বা লমকেৎ লমহাইবা ৱাখল্লোনশিং অদু হৌজিক্তি মতমগা চুশিন্নরক্ত্রে।

লৈকায় লৈকায়দা লাই হরাওবগী, চাকচা হৈজান্নবগী, হরাও কুম্মৈগী নৎত্রগা হাউসি পাঙথোকপগী হৌরা হৌরবা মাইক পান্দুনা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং হায়বা থিদবা মখৈ কোইরাং লাংবগী ফীভম অসি হৌজিকসু করিমত্তা হোংবা লৈত্রি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি খুন্নাই অসিগী চৎন-কাঙলোননি হায়দুনা কনামত্তনসু ৱাকৎতে। অদুবু মসিনা পীরিবা চৈথেংশিং অসিদি হৌজিক্কী মীরোলনা নৈনহৌবা চুমগনি। অহিং নোংয়াইগী মতম ফাওবা হাউসি লাউবা, লীলা-দ্রামা নৎত্রগা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমগী চরাংনবা, মমাঙঙৈদা চৎনরমদবা লুহোং কৈহোংবদা মখোল হৌবা বম্বুলা থারকপা, হরাও কুম্মৈ নৎত্রবসু কনাগুম্বনা অহিংগী অচিকপা থুগায়রগা বম্বুলা থাবনা ইংনা চীক্না লৈনিংবা মীওই কয়াদা পীরিবা চৈথেং পুলিসনা খঙলবসু করিসু হায়দে। থাঙ্গৈশেংনমক্তি লাউদ স্পীকর শীজিন্নবা হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী অয়াবা লৌগদবনি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনসু অকক্নবা মতম খরখক পীরগা তঙাইফদবা খরগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াহল্লি। অদুবু লৈকায় লৈকায়দা পাঙথোক্লিবা হাউসিগী, লাই হরাওবগী ধোল থিনবগী হৌরবা মখোলশিং লাউদ স্পীকরদা থাদোকপগী অয়াবা করম্বা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতগী লৌবা য়াওখ্রবগে। মীওইবা অমগী ইংনা চিক্না লৈবা ফংবা হায়বসি পূন্সিরোলদা য়েংলুরবসু খ্বাইদগী ফবা মচাক অমনি। মরম অদুনা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা নিল খোংবা হন্থহনবা হায়বসি তঙায়মক ফদনা তৌদবা য়াদবা থৌদাং অমনি। মণিপুরদা সাইলেন্ট জোন হায়বসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মফম খরদা চৎনদুনা লাকই। গভর্নর বঙ্গলোগী অকোয়বা, চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী অকোয়বনচিংবা সাইলেন্ট জোননি হায়না গভর্নমেন্টনা ওর্দর থোক্তুনা লৈ। অদুবু মীচম মীয়ামদি লায়রদুনা ট্রাফিক পুলিস ফাওবা লাউদ স্পীকর শীজিন্নরগা ট্রাফিক কন্ট্রোল তৌননবা হোৎনৈ। লুহোংবগী বেন্দ খোঙবা, থিনবা সাইলেন্ট জোনগী মনুঙদা তৌবা য়াদে হায়বা লৈরবসু কনামত্তনা থৌওইনদে। মসিনা সাইলেন্ট জোনগী ৱাহন্থোক লৈহন্দে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবদি মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা মহৈশঙশিংগী অকোয়বা য়াওনা গ্রেটর ইম্ফালগী মফম খরদা সাইলেন্ট জোন লাউথোক্কনবা থৌরাং তৌরিবা অসি মতৌ কমদৌনা থবক্তা ওন্থোক্কদগে হায়বদু হান্না পুলিস পার্সনলশিংদা তাকপী তম্বীবা অমা চঙই। মদু নৎত্রবদি য়াথং লীশিং অমা তাউথরবসু চেদা লৈহৌগনি, থবক্তদি অমা ফাওবা ওন্তোকপা ঙল্লোই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## করম্বা মীখলদা অফবা মীহুৎ অমসুং অফবা দল ওইগদগে?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**অফবা** পোলিটিকেল পার্টি অমা হায়বসি পার্টি অদুদা থৌপুরিবা লুচিংবশিং অদুনা লেপফম থোকই। মীয়ামগী ইহুল খঙবীবা লৈবাকপু নুংশিবা, কৎথোকপগী মগুন ফজনা চেনবা অদুগুম্বা লুচিংবশিং অদুনা য়াওবা পার্টি অদু অদুম ফরে। অফবা পার্টি ওইরম্লবসু পার্টি অদুদা য়াওরক্লিবা মীওইশিংনা লৈবাক্কী খন্দ্রবা অদুদি পার্টি অদু মীংচৎ থিরে অমসুং পার্টি অদু ফৎত্রে। কুমজা ১৮৮৫ দা বৃটিশ রিটয়ার্দ ওফিসর এ ও হিয়ুম্না কোংগ্রেস লিংখৎপা মতমদা মতম অদুগী লৈবাক্কী খনবা শহিদ কয়ানা পার্টি অদুগী লিচিং মখাদা লৈবাকসি নীং তমহনখিবনি। মতুংদা ঙসিগী পার্টি ৩০ গী মথক্তা লৈরিবা অসিদি লুচিংবা মুন্নবা, অমগা অমগা ইকায় খুম্নবা ৱাৎনরকপা মরমশিং অসিদগীনি। অদুনা অফবা মীওইবু করম্বনো হায়না খন্দোকপসি য়াম্না মরু ওই। ঙসিগী লুচিংবশিং অসি ঐখোয়না মমাঙদা লোইনা মহাও তংদুনা খঙখ্রবা ঙাক্তনি। দুর্জধনগী মমিং যুধিষ্টির কৌবদা ফৎতবা ৱাখল হোংলোই। জুলাই ৩১ দা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম মাধোব মণিপুরদা লাক্তুনা লমদম অসিগী অৱাৎ অপা অমৎতা লৈহল্লোই, সেন্টরদগী পীবা য়াবা মতেং খুদিং পীনবা শেম শারি তাকপীবা অদুগা নোংঙানবা ওগষ্ট ১ দা মণিপুরগী বি জে পিগী লুচিংবা কয়াগা লোয়ননা দিল্লিদা পূন্না পাইশিনখিদুনা মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাক্নবা খুজিল থৌরাল কয়া পায়খৎকনি অমদি কোংগ্রেস লৈঙাক ইন্থুনবা ৱা তানবা হৌরে হায়বা পাউচেদা থেংনবা অঙকপা পোকই।

মতাং অসিদা পীনিংবা মততি ইন্দিয়া দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি, মীয়ামগী মত অমদি হক পূম্বা মীয়ামগী মীহুৎতা লোইনা শিন্নরবনি। মণিপুরগী মীশিং লাক্ষ ২৮,৫৫,৮৮০ হেন্না লৈবসিগী থৌদাং খুদিং মীওই ৬০ দা শিন্নখ্রবনি। অদুবু মীওই খরগী অয়েৎ অপন্দা মীহুৎ ৬০ না য়ানদুনা পাস তৌখিবা বিলবু রিজেক্ট তৌবা অসিদি মীওই ২৮,৫৫,৮৮০ বু রিজেক্ট তৌবনি। মসিদা রাম মাধোবনা করিগুম্বা মত অমা ফাওবা পীদবা করিগীনো? ঙসি মণিপুরগী লৈতাদ্রবা আই এল পিগী ঈহৌ অসিগী করিগুম্বা অনীংবা অমদি কংলৈ মীয়ামগী ইহুল ফাথনবা ৱাফম অমা ফাওবা থম্মমদবা হায়বসি কংলৈ মীয়াম্মু নুংশিবনি হায়না লৌবা য়ারোই। মীহুৎ ৬০ অদুনা লৌবা ৱারেপ চৎনবা য়াদ্রবদি দাইরেক্ট মীখল তৌদুনা লৈপাক অপূম্বা কৌথোক্লগা খূৎ থাঙ্গৎনদুনা ৱারেপ লৌগদ্রা? ইন্দিয়াগী অম্বেকরনা শেল্লবা সংবিধান অসিবু দাইরেক্ট ওইব্রা ইনদাইরেক্ট ওইবরা হায়বসিদা করম্বা মখলগী লীলা শান্নরিবনো? দিল্লি চৎতুনা পার্টিগী মগুন কন্নবা হোৎনবা য়াম্না ফৈ। ইশ্যু ময়াম অসিদগী অমতং লোইশিল্লগনি হায়বা ৱাফম থম্বিরল্লবদি মীখলগী ৱা খন্নদ্রবসু য়াগনি। মশানা লমদম অসিগী মীয়াম্না বি জে পিবু ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা পুন্সিগী মীয়াম্না কাউনরোই। অদুদি নত্তনা মণিপুরগী লৈতাদ্রবা মতম অসিগী করিগুম্বা অমা ফাওবা খনবীদবা, চুড়াচান্দপুরগী মীওই ৯ গী অশিবা হকচাং লৌদনা লৈরিবা, অমনা তৌবা অমনা য়ানিংদবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতি কয়া অসিগী মপি মপা অমা ওইনা লাকপীদুনা অমগা অমগা য়ানবা শিনবীবা মথৌ তাই। মীখল হায়বসিদি অফবা মী, মীয়ামগী ইহুল খঙবা মীদুনা মীখল মায় পাক্কনি। নহা ওইরিবা মীয়ামগী থৌগল তৌজরিবশিংগীদি থোইদোক্না পার্টি হায়বা থিদনা পুকচেল শেংনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবীগনি খল্লি অদুগা খরা অহলশিং অসিদি মখোয়গী মগুন কুইরে খঙবা শক্তি কয়াসু পায়খ্রে, পায়দনা লৈবা কয়াসু য়াওখ্রে, পুন্সি নুমিৎ তারমদাইদা ঈজৎ অপূম্বা হুন্দোক্তুনা অতিয়াদা কৈরাকথাগে খনবা করম্না থাজগনি। লাইগা পাংখক ওইরবা লংকাগী রাবন ফাওবা ঙমখিদে। অদুনা ঐখোয়না খঙগদবসি মীহুৎ ওইগদবশিং অসি মুন্না য়েংবা অমা চঙই। মুন্না য়েংহৌদ্রবদি ঙসিগী ইশ্যুশিং অসি অদুম য়েংদুনা লৈরগনি মসি কাউরোইসি।

*অদোমগী - ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায়স্কুল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২

১। অইবী তখেল্লম্বম থোইবী করি লাইরিক্তা ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ফংখিবগে?
২। ‘‘ভূত অমা লৈরমই ঐগী ইনাক্তা/অয়ূক নুংথিল নুমিদাং/ঐগী ইতুং কোয়-ইন ইন্নে’’ কবি কনানা হায়বনো?
৩। ‘লৈকংলাগা শকখঙনবা’ লমকোয়ৱারী অসিগী অইবীদু কনানো?
৪। ‘হৈ খুনবা’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৬, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# জে এ সি অমদি শেমহৌসি

### চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

জোইন্ট এক্সন কন্মিটি হায়বসি মখল য়াম য়াম্মী। থৌদোক-ৱাথোক অমা থোকপদা জে এ সি অমদি শোয়দনা অদুম শেম্মী। জে এ সিদুগী থবকসি অয়াম্বনা এক্সন লোমদা ওইনা লোইনা লাকই। জে এ সিগী কনভেনর গাইসি য়াম্না চাওই। করিগুম্বদা জে এ সিদু অমুক মনুংদা য়ানরক্তদনা অনী নৎত্রগা অহুম থোকখিবগী ৱাসু লৈ। অনীগা থোকখিবা জে এ সিদু মখোয়না তান্দৌবা দিমান্দদুগী মথক্তা অতোপ্পা জে এ সিদুগা য়েংথিনবা মানবগী দিমান্দগসু য়াওশিল্লকপা থেংনখ্রে। জে এ সি শেম্বগী কান্নবা অমদি মাগী মতিক-মগুন পূম্নমক্না খঙনদুনা লাকই। জে এ সি অমবু হেক শেল্লবা বন্দ নৎত্রগা জেনরেল ষ্ট্রাইক অমা শোয়দ্রে হায়না খন্নরে। মদুগা লোয়ননা খরা য়ৈখাইবা, খরা থুগাইবা, খরা লাউ খরা খোঙবা, মদুগী এক্সন ময়াম অদু ময়াই চন্নবা পুলিস মোক-বোম, স্মোক-বোম, টিয়র গ্যাস কাপশিনবদা অশোক অপন খরা অমুক থোকপা শোয়দ্রবা ৱানি। তৌবদি ৱাথোক-ৱাথোক্তুগী মখা পোন্না এক্সন - রিএক্সনগী রিজল্টসু খেন্নদবদি নত্তে। অদুবু জে এ সিদি জে এ সিনি। জে এ সিনিবু হায়রবদি কৈনোমা অদুম খন্নবনি।

শেমসি হায়না প্রপোজ তৌজরিবা জে এ সিসিদি অতৈ অমতগী নত্তে। ইকুই কুইদনা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল লাক্কদৌরে। কুমজা ২০১৭ গী অঙনবা মতমদদি শোয়দনা মীখলসি পাঙথোক্লগনি। মদুগীদমক মায়কৈ খুদিংদগী শেম শাবা হৌনরে। হৌখিবা মীখলদা খনখিবা এম এল এ নোংমতা ময়ুম মায়কৈদা লুহোং খোঙদোংবা অমদি অতৈ থৌরম খরদা লাকপা নত্তনা তোয়না লাক্তবা, মীয়াম্নদি মাঙখ্রে হায়না খন্নবা কয়া ময়ূম মকৈদা হন্নরকখ্রে। লৈকায়বু, খুনবু, কেন্দ্রবু তশেংনা নুংশিবা উৎলরে। করম্বা লৈরক্তা লৈকুৎ লৈরাই লৈরি য়েংশিল্লরে। নোং খিত্তং চুবদা ঈশিং চাওরম্বা নালা অমদি তুরেল খোঙবাল শেমদ্রবসু য়েংশিল্লরে, কোট্লিং কারবা টোটি কোঞ্জিল ঈশিংনা মমাই তারনি হায়ররে, মতম কয়া ফংলুদ্রবা চেঙ, হৱাই নোকফেৎ তৌনা নুংশিবা মিৎয়েং য়েংনা লায়রবা মীয়ামগী খাওদা মখূৎমক্না হৈদুনা য়েন্থোকপা হৌরে। কয়াদা পুকচেল চাওখ্রবনো? তোয়না তোয়না লৈরক খুল্লক খুদিং চঙদুনা অনৌবা অরিবা কয়া উনদুনা ৱারী শানবা, কৌনবা, নমথিখ্রবা চমোৎনবা মী ফাওবা লেং কোন্নদুনা য়াম্না নুংশিবা শাবা হৌজিক মরাং কায়না উরে।

লৈকায়গী নুপী মরুপ, মৈরা পায়বী, থবক লৈতদুনা উকু মথক্তা মখোঙ য়াম্থদুনা ফম্বা নহাশিং, তুরেল খোঙবান্দা শেল থানদ্রসু জ্বার শান্নদুনা লৈবা মীরেমশিং, থবক শুগনি কাউদুনা নোংঙানবদগী কোয়বতনা মথৌ ওইরবা, মমা-মপাদগী নোংমগী চাদিং শেল নিদুনা ময়া হিগৎচবা নহা মচাশিং তাশিন-খোমজিন্দুনা অপাম্বা করিনো হংদুনা অপাম-অপাম্বা পীবগী থবক চখ্থরে। কোল্লুপ-কোল্লুপ তাশিন্নদুনা চাকচা হৈজানবা হৌনরে হায়বগী পাউ লৈরে। মীখলদা মতিক চাবা অফবা মীশক খনসি হায়না মচিন্দা হায়নরিবা পূম্নমক্না কেন্দিদেটতগী পীথরকপা শেলনা চাকচা হৈজানবদা করিগীনো অসুক থৱায় য়াওরিসিবো? মসিবু থিংবা ঙল্লোইদ্রা? করম্না থিংগনি? কাঙলোন অমদি থিদবা য়ারোই।

ইলেক্সনগী মতমদা থোরক্লিবা কেন্দিদেট ওইদৌরিবা মীয়াম অসিগী মনুংদা মতিক চাবা মী য়াওরব্রা? খঙদোকপা তাই। হৌজিক কনষ্টিট্যুএন্সি খুদিংমক্তা কেন্দিদেট ওইগনি হায়না মপান শারিবশিং অসিদি অয়াম্বনা শেল পায়বা, ঠিকা তৌবা নৎত্রবসু মখল খরগী হিসাবতা মখূৎ চোল্লবা কয়ানা অয়াম্বনি। শেলদি পায়দবা, মরল-মথুমসু লৈতবা, লৈবাক মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমদদি থৱায় য়াওবতা নত্তনা অনৌবা ৱাখল্লোন মিৎয়েং পুথোকপা ঙম্বা ময়াম অমা লৈ। অদুবু মখোয়দি ইলেক্সন লেপকে হায়না থোরক্তে। মহাকপু মীয়াম্না অফবনি হায়না খন্নরবসু মাবু ভোট লেপ্পু, নঙগীদমক ঐখোয় ময়াম লৈরি, শেলগী মথৌ তাদে হায়না হায়বা ঙম্বদি অমত্তা থোরক্তে। অদুনা মতিক চাবা মীদু ভোটর ওইরগা অদুম তোক্লি। মসি ওল্লক্লিবা মতমসিগী চৎনবী অমনি। চৎনবী অসিদনি খুন্নাই অসিনা অসুম অসুম মহাম তারক্লিবসিসু। ভোট লেপকে হায়না থোরক্লিবশিং অসিদি মখূৎতা শেল নিংথিজনা পায়বা, মরল মথুম্না চীংগুম পৈবা, অতৈ অতৈ মখল কয়াগী মমল তাংবা পোৎ চৈ য়াম্না লৈবা, শঙ্গ চাওর-চাওরবা তিন্নবা, তৌবা ঙম্বশিংগী মনুং চনবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। অশেংব্রা শেংদব্রা হায়দি খঙদে - ভোট লেপকে হায়রদি জে সি বি অনী অহুম লৈতবা য়াদে, খোংবাল কোৎতবা য়াদে, নালা তেংদবা য়াদে হায়নৈ। চুল্লমদবা য়াই, হেনজিন্না হায়নবা ওইরম্বা য়াই।

হৌজিক অওনবা অমা পুরকপা মতম ওইরে। কেন্দ্র খরদা শেলদি পায়জদবা মীয়ামগী থবক নিংথিনা তৌজরকপা, তিন্নবা মরুপ মপাংশিংনা মতেং পাঙগনি হায়বা থাজবদগী ভোট লেপকনি হায়না হায়বা মীওই খরগী মমিংসু তারে। শেল পায়দ্রসু অদুগুম্বা মীশক অদুনা লৈবাক খুন্নাইগী অফবা থবক তৌনি হায়রদি ময়াম হুপ্তুনা থাদসি কৈনো? ভোট ময়া হেক য়ৌবগা মপান শাবা, নোংমতা লৈবাক্কী, মীয়ামগী থবক্তা হকথেংননা য়াওদবা, অশিংবা শাদুনা মতাইদা লেপ্লগা কন্মেন্ট পীবশিংদগী শেল খরা ফংনবা হোৎনদুনা মখোয়বু মীয়ামগী মীহুৎনি হায়না থাঙদোকপগী থবকসি লেপথোকপা করি কায়গে? ইন্দিয়াগী লম খুদিংমক্তা অওনবা অহোংবা লাকপা চহী খরা অসিদা উবা ফংলে। মণিপুরদসু ভোট থাদবা মীহুৎ খনবা হৈনবা ৱাখল খনবা মতম ওইরেনা। অদু ওইবা তারবদি ঐখোয় শেঞ্জাও পায়বা মীরেপশিংদগী ইশানা ইশাবু অমদি লৈকায় খুন্নাইবু কঞ্জনবা হোৎনজবা অমা চঙই। তৌবতবু ঐখোয়গী ৱাখল্লোন অসি শেংদোকপা মথৌ তাই।

পূম্নমকশিং অসি ঐখোয়গী ৱাখলনবু মান্নরবা, পুকচেল তিন্নরবা অদু ওইবা তারবদি জোইন্ট এক্সন কন্মিটি অমা শেমসি। জে এ সি অদুদা লৈকায়গী মী পূম্নমক য়াওসি। ক্লব, মৈরা পায়বী, লাইরিক হৈবা-হৈতবা, লায়রবা-ইনাক খুনবা, নুপা-নুপী, পাখঙ-লৈশাবী, হনু-হনা লোয়নমক য়াওমিন্নরগা পূন্না থবক পায়খৎমিন্নসি। তৌগদৌরিবা থবকশিংদুগী মনুংদা - ভোটকীদমক কেন্দিদেটনা শিনবা চাক চাদবা, ভোটকীদমক কেন্দিদেটনা পীবা শেল নৎত্রগা খুদোল অমত্তা লৌদবা, অদুগুম্বা কয়াশিং অদু থিংনবা হোৎনবা, ভোটকী মিটিংদা মশা-মশা কান্নবা হোৎনবা অতোপ্পা মীশিংগী মরমদা চৈনা থাংনদুনা ৱা ঙাঙহনদবা, জে এ সি অদুনা ইনশিনবা য়াওদবা, জে এ সিনা ভোট খোম্বসু য়াওদবা, কেন্দিদেট অমতগী মায়কৈদা লেপ্তুবা, কেন্দিদেটশিংগা জে এ সিগা মরী অমত্তা শম্নদবা পূম্নমকশিং অসি জে এ সি অসিনা থবক পায়খৎলবদি য়াম্না য়াইফগনি। তৌবতবু ভোটতি মখোয় মখোয়না থাদনিংবা মীশিংদা অদুম থাদজবা হায়রিবশিং অসিগী মায়কৈদা ময়াম পূম্নমক চেকশিন্না চঙশিল্লগদি অফবা খুন্নাই অমা শাগৎপদা কান্নগনি। কান্নদে ভোটতা শেল য়েনবা, চাকচা হৈজানবা, খুদৈ, ফিরোল, ঙা য়েনবা থিংবা জে এ সি অমতদি শেমহৌসি।

# তীল হীদাক কাপ্পদা তারকপা মকুপশিংনা থোকহনবা পোলুসন্দগী ঙাকথোকপা ঙম্বা স্প্রে



লৌমী অমনা স্প্রে শীজিন্নদুনা হিদাক কাপ্পা



মহের দমক (ওয়) অমসুং ক্রিপা ভরানাসি (য়েৎ)

### সাইন্সকী খোঙচৎ


**কুঞ্জো নাওরেম**

**লৌউ-শিংউগী** থবক্তা স্প্রে শীজিন্নদুনা নাপি হীদাক, তীল হীদাক মেক্রো অমদি মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং কাপ্পা হায়বসি তৌদবা য়াদবা অমা ওইরি। মখোয়সিগী মনুংদা মেক্রো অমদি মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংদি খরবু শাফরে অদুবু অকনবা হুগী মগুন চেনবা নাপি হীদাক অমদি তীল হীদাক্নদি লৈপাক, ঈশিং অমদি নুংশিৎ মোৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। ঐখোয়না মহৈ-মরোংশিংদা কাপ্লিবা তীল হীদাকশিংসি পাম্বীদুদা নপ্তুনা লৈহৌবগী চাং য়াম্না নেম্মী। ‘নেচর কম্যুনিকেসন্স’ তা ফোঙখিবা পাউ অমগী মতুং ইন্না লৌমী অমনা তীল হীদাক কাপ্পা মতমদা পাইথোরক্লিবা মকুপ চাম্মগী মনুংদা মকুপ অনীগুম্বদং পাম্বীদুদা নপশিল্লি হায়রি। মহৈ-মরোংদুগী মনাশিংদু ভর্টিকেল ওইনা হায়বদি ফৌনাগুম্না চপ য়ুংনা হৌরবদি নপশিনবগী চাং হেন্নমুক ৱাৎলি। অদু ওইরগদি পাম্বীদুগী মনাদা নপশিনহৌদবা মকুপশিংদু লৈপাক্তা নৎত্রগা ঈশিংদা তারকই। মসিনা লৈপাক্তা হু চেনবা কেমিকেলশিংগী চাং হেনগৎহল্লি অমদি নোং তারকপা মতমদা চেন্থরকপা ঈশিংদা য়াওরক্তুনা তুরেল, পাৎ অমদি সমুদ্র য়ৌরকই। মসিনা ঈশিংদা লৈবা জীবশিং অমদি ঈশিংদুবু থক্লিবা জীবশিংদা মখল-মখা কয়াগী লায়না পোকহল্লকই।

ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা পোৎশিংসি ঐখোয়না মখল অনি থোক্না খায়দোকপা য়াই : ঈশিংগা তিন্নবা পাম্বা হায়বদি হাইদ্রোফাইল ওইবা অমসুং ঈশিংগা তিন্নবা পামদবা, ঈশিংনা চোৎপা ঙমদবা হায়বদি হাইদ্রোফোবিক ওইবা। ঐখোয়না খঙঙি - পাংখোল্লা নৎত্রগা য়েন্দেম মনাদা ঈশিং হৈজিল্লবসু ঈশিংনা চোৎপগী মহুত্তা ঈশিংনা মতুম তানা নৎত্রগা তারপ তৌনা লৈ। মসিগী মগুনসি পাম্বী অতৈশিংদসু অদুম য়াওরিবনি। অদুবু পাম্বী খেন্নবগী মতুং ইন্না খেন্নবদি অদুম লৈ। মসি অতৈগী নত্তে পাম্বীদুগী মনাদা থাউগী শরুক ওইবা কুয়োম অমা য়াওবননি। কুয়োমসিনা ঈশিংগী সরফেস তেন্সন হেনগৎহন্দুনা ঈশিংবু মনাদুদা নপশিলহন্দে। মসি পাম্বীদুনা ঈশিংদগী ঙাকথোকচনবা মহৌশানা পীবিরকপা খুদোল অমনি। অদুবু খুদোলসিনা মরম ওইরগা তীল হীদাক চুপশিনবগী চাং হন্থহল্লে। মসিদা নিংহন্নবদি য়াদ্রি। অদুনা মসাচুসেটস ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) গী থিজিল্লোয়শিংনা অনৌবা স্প্রে পম্প অমদা অখন্নবা কেমিকেল খরা হাপ্লগা ঈশিংগী সরফেস তেন্সন হন্থহন্দুনা পাম্বীগী মনাশিংবু মপূং ফানা চোৎহল্লগা চুপশিনহনবগী পান্বে অমা পুথোকপা ঙমখ্রে।

স্প্রে পম্পকী মতেংনা তীল হীদাক কাপ্পদা পাম্বীদুগী মনাদুবু মপূং ফানা চোৎহন্দুনা ফজনা চুপশিনহনবা হায়বসিনা কান্নবা পীরিবসি লম কয়াদনি। মদুনা চেন্থরকপা হীদাক্কী চাং হন্থহন্দুনা লৈপাক অমদি ঈশিং মোৎহনবগী চাং হন্থহনগনি, হান্না কাপ্লম্বা হীদাক্কী চাং (দোজ) দগী হন্থনা কাপ্পা য়াগনি। মসিনা লায়রবা লৌমীশিংগী চাদিং হন্থহনবদা অচৌবা মতেংসু পাঙগনি। হীরমসিগী মতাংদা এম আই টিগী মেকানিকেল এঞ্জিনিয়ারিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ক্রিপা ভরানাসি, গ্রেজুয়েট মহৈরোয় মহের দমক, রিছার্স সাইন্টিষ্ট সয়েদ রেজা মহমৌদি অমদি পোষ্টদোক ওইরম্বা নসিম হায়দরনা লেবতা অকনবা থিজিনবগী থবক চখ্থরকখি।

হৌজিক শীজিন্নরিবা তীল হীদাকশিংদা সরফেক্টেন্টস নৎত্রগা শাপোনগুম্বা ঈশিংগী সরফেস তেন্সন হন্থহনবদা মতেং পাঙবা কেমিকেলশিং শীজিন্নে। মখোয়সিনা তীল হীদাকশিংবু মহৈ-মরোংশিংদা নপশিনহনবদা মতেং পাঙই। অদুবু লুরিবদি স্প্রে পম্প অমদগী থাদোরকপা ঈশিংগা য়ানশিন্নরবা তীল মকুপশিংদুনা অৱাংবা স্পিদতা থাদোরকপা মতমদদি কান্নবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। মসিনা থোইদোক্না কান্নবা পীবা ঙমদে। মসিদা হেন্না কান্নহনগে হায়বা তারগদি স্প্রেদুদগী কাপথোরক্লিবা মকুপশিংদু কা হেন্না পীকহনবগী মথৌ তাই। মকুপশিংদুনা কা হেন্না পীকপা মতমদনা অমুক নুংশিৎনা য়াম্না লায়না হুমদোক্লগা পুখিবা ঙম্মী। অদুনা থবকসিদা মায় পাকপগী চাং হন্থনা লৈরকখিবনি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি করম্বা মওংদা পাম্বীগী মনাশিংবু চোৎহনগদগে হায়বসিনি। মসিদা এম আই টিগী থিজিল্লোয়শিংনা অনৌবা কাঙলোনসি পুথোরকপনি।



পাম্বীগী মনাদা নপশিন্দুনা লৈবা তীলহিদাক মকুপশিং

পুথোরক্লিবা কাঙলোনসিগী মতুং ইন্না থিজিল্লোয়শিংনা পোলিমর ওইবা কেমিকেল অনীখক শীজিন্নরি। কেমিকেল অনীসি তোঙান তোঙানবা পাত্র অনীদা হাপকনি। পাত্র অমদা য়াওরিবা কেমিকেলসিনা সোলুসন্দুবু নেগেটিভ চার্জ পুহনগনি অদুগা অতোপ্পা পাত্রদুদা য়াওরিবা কেমিকেলদুনা পোজিটিভ চার্জ পুহনগনি। পাত্র অনীদুদা হাপ্লবা তীল হীদাক্তু স্প্রেনা কাপথোরকপা মতমদা মহৈ-মরোংদুগী মনাগা হেক থেংনবগা ওন্ন-তৈনবা চার্জ পুবা মহী অনীদুনা য়াম্না থুনা হাইদ্রোফাইল ওইবা মরোল অমা শেমদুনা ঈশিংগা য়ানশিন্নরবা তীল হীদাক মকুপশিংদু নপশিনহনগনি। অসুম্না নপশিলহনবা অসিনা পাম্বীদুনা তীল হীদাক্তু চুপশিনবগী চাং হেনগৎপগা লোয়ননা লৈপাক অমদি ঈশিংদা তারকপগী চাং হন্থে। মসিনা অরেম্বদা চেন্থদুনা মাঙখিগদবা হীদাক্তুবুসু কনবা ঙল্লে। মসিনা কাপকদবা তীল হীদাক্কী চাং হন্থহন্দুনা লৌমীশিংদা শেল হেন্না চঙবদগীসু কনবা ঙল্লগনি। লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংগী মতুং ইন্না চঙলিবা তীল হীদাক্কী চাংসি শরুক তরা থোকপগী অমদা হন্থহনবা ঙম্মী হায়রি। মসিনা তাক্লিবদি শেল চঙবগী চাংসু শরুক তরা হন্থহনবা ঙল্লগনি। অদুবু হৌজিক্কী ওইনদি চাংয়েংসি লৌবুক্তা কুমদুনা পাঙথোকপা লৈত্রি। মখোয়না পুথোক্লিবা স্প্রে পম্পসি খরগা হেন্না ফগৎহল্লবা মতুংদা লৌবুক্তা কুমদুনা থবক পায়খৎপা হৌগনি হায়না গ্রেজুয়েট মহৈরোয় দমকনা ফোঙদোক্লি।

এম আই টি অমদি টাটা সেন্টর ফোর টেক্নোলোজি এন্দ দিজাইননা খূৎশম্নরগা পায়খৎলকপা থিজিনবগী থবকসি ইন্দিয়া অমদি চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা য়াম্না কান্নবা পীগনি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা থাজবা থল্লি। অদুবু হংবা য়াবা ৱাহংদি মখোয়না হাপচিল্লিবা পোলিমর অনীদুনা ইনভাইরনমেন্টতদি অকায়বা থোকহন্দব্রা হায়বসিনি। পোলিমর অনীমক নেচরদা ফংবা অদুগা বাইওদিগ্রেদেবলসু ওইবনা পোলুসন থোকহল্লোই। লোয়ননা পোলিমর অনীমক কম্মন ওইনা শীজিন্নবা অদুগা হোংসু হোংবা মেটরিএলশিংদগী শুংবনি। মসিনা লৌমীশিংদা শেলগী পোৎলুম ওইহল্লোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লি।